**RNU, IMPHAL**

**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**

**(Date: 3.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ০৩-০৪-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - এন.আর.সি চৎনরকপা মতমদা রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েলহৌ মীশিংদা শোকিংঙাই লৈতে।

২) লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা সিনিয়র সিতিজেন্স নত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোস্তেল বেলোটকী খ্থাংদা ভোট থাদবা থা অসিগী ৭ তগী হৌরগনি।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- হিদাক্কী মগুন চেনবা পাম্বীশিং অমদি শেন্থোক লৈবা পাম্বীশিং থাবনা লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ৱাংখেমদগী লালহৌলুপ অমগী মীওহ খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। লুপা লাক ৭৩ রোমগী সুপারি ফাগৎলে।

**অমসুং**

৫) ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিশিংদা ঙমখৈ পারিংদগী নিশা,শেল অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং পুশিল্লকপা থীংনবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**বিরেন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - মনিপুরদা নেসনেল রেজিস্তর ওফ সিটিজেন (এন.আর.সি)চৎনরকপা মতমদা রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েলহৌ মীশিংদা শোকিংঙাই লৈতে। মহাকা হায়- ইং ১৯৬১ না বেষ্ট ইয়র ওইরগা এন.আর.সি চৎনরকপা মতমদা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা মীতৈ, মীতৈ পাঙল অমদি নাগাশিংদা চৎনরোই। আইন কায়না চংলকপা মীওইশিংদদা এন.আর.সি চৎনগনি।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকপা মহিলা সমেলনদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুর বিধান সভাদা এন.আর.সি চৎননবা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঐতিহাসিক ওইনিংঙাইনি । মহাকা হায়- লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মীতোপশিং চংশিল্লকপদগী থোরকপনি। রাজ্য অসিগা যুমথংনরিবা নাগালেন্দ অমসুং মীজোরামগী মীয়ামা ঙমখৈ পারিং শম্বল খাবা পামদ্রবসু লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক ঙমখৈ পারিং শম্বল খাবা হায়বসি য়াममক তঙাই ফদে। রাজ্য অসি মচেৎ মচেৎ তাবা হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তগী অপাম্বা নত্তে মরম অদুনা সরকার অসিনা লমগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শংতাইনবা তৌরোই। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুরনা মৈ চাক্লিবা অসি মতম অমদা য়ানা য়ানবা চৎলম্বা, হিরম খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরমদবদগীনি। সরকার অসিনা দ্রগকী মায়োক্তা লেপ্পমদ্রবদি তুংগী মীরোল করি ওইহৌগনি হায়বদু খঙবা ঙম্লোই। মতম অমদা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পারিং শম্বল খারমদবা অমদি অথিংনবা লৈতনা মীতোপশিং চংশিল্লকপনা মফম কয়াদা খুল মশিং হেনগৎলকপগী মরম ওইরি।

মহাকা হায়- ভারত সরকারনা অচৌবা দাইত্ব লৌদুনা চীংনবা মফমশিং য়াওনা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্স থম্লে। মসিদা নত্তনা রাজ্য অসিদা হৌজিক তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্লি।

**--সাউন্দ সি.এম--**

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দলগী প্রসিদেন্ত এ.সরদা দেবীনা হায়- ভারত অসি নুপীবু ৱাংনা থাংগৎপা লমদম অমনি। মীয়ামা ভারত ইমা নত্রগা মনিপুর ইমা হায়রিবসিগী অচৌবা মরম লৈবগীনি। শ্রীমতি সরদানা হায়- হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা মনিপুরগী মীয়ামা গনতন্ত্রাগী হক খঙনা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি নকাল অমরোমদা চৎখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

**এন.আর.সি (এল)ঃ** পিপলস এলাইন্স ফোর পিছ এন্দ প্রোগ্রেস মনিপুর(পি.এ.পি.পি.এন)না হায়রি -লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগী ওইনা নেসনেল রেজিস্তর ওফ সিতিজেন (এন.আর.সি ) চৎনহনগনি হায়বা রাজনিতি দলগী মীরেপ্তা শৌগৎকনি। শীংজমৈদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ত ময়াংলম্বম বোবিনা হায়- এন.আর.সি চৎনহনবনা রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং লাইনা খঙদোকপা ঙমগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মরুওইবা পান্দম অদু রাজ্য অসিগী ওইনদি এন.আর.সি চৎনহনবা হায়বসি ওইহনগদবনি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি মীওই কয়ানা মীখল শরুক য়ারোই হায়না ফোংদোকরকখিবা অদু তৌবিগনু হায়নসু আপিল তৌখি । মীখলদা শরুক য়াদুনা অফবা মীহুৎ খন্দুনা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি চৎনহনবা তাঙই ফদে হায়নসু থল্লক্লি।

**বিজে.পি(এল) ঃ** মনিপুরদা আইন কায়না চংলকপা মীতোপশিং মরমদা হল্লহনখিবা হায়বসি বি.জে.পিগী পান্দমনি। দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী মচিন চৎপা মীশক এলাংবম জোনসননা হায়- কনাগুম্বা জাতি কংলুপ খরনা তোঙানবা এদমিনিস্ত্রেসন তাল্লিবা অসি ৱান্থোক লৈতে। মহাকা হায়- নেসনেল রেজিস্তর ওফ সিটিজেনগী বেটচ ইয়র থল্লিবা অসি মীপুম খুদিংমক্কীনি , জাতি কাংলুপ অমখক্কী নত্তে। রাজ্য অসিগী ওইবা হিরম খুদিংমক্তা দল অসিনা য়াশিন্নবা কৈদৌনুংদসু পুরক্লোই। কংগ্রেস দলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং য়ুমফম য়াওদবনি হায়রদুনা শ্রী জোনসননা হায়- বি.জে.পিগী ফীরেপ হান্নদগী হোংদে।

**ইলেক্সন(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা সিনিয়র সিতিজেন্স নত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোস্তেল বেলোটকী খুত্থাংদা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা পীরি। অসিগুম্বা ভোতরশিং অসিনা ভোট থাদনবগীদমক বি.এন.ওশিংগী খুত্থাংদা ফোর্ম ১২-দি পীবা হৌরে। হায়রিবা ফোর্মশিং অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা অসিগুম্বা ভোতর পুন্না লিশিং ১,৬৭৯ লৈ। চেরোল অদুনা হায়- এবসেন্তি ভোটরশিংগী ওইনা তোঙানবা পোল্লিং টিম ৩০ শেম্লে মসিদা ওফিসিয়েল অনি, বিদিওগ্রাফর অমা, মাইক্রো ওবজার্বর অমা অমসুং আর্ম সেক্যুরিতি পরসনেলশিংনা এবসেন্তি ভোটরশিংগী য়ুম য়ুম চৎতুনা পোস্তেল বেলোটশিং অদু লৌকৎকনি। অহানবা রাউন্দা থা অসিগী ৭ তগী তাং ১২ ফাওবগী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চৎকনি। মসিদা তাং ৯ অমসুং ১১ ছুতি লৈবনা মরম ওইদুনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংলোই। লেমহৌবা ভোটরশিংগী ওইনা অনিশুবা রাউন্দ তাং ১৫ দা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা এবসেন্তি ভোটরশিংগী পোস্তেল বেলোটশিং খোমগৎপদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সকী এস.আই.আর.দি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ওইনা অনিরক শুবা তাঙ্কক্কী পোল্লিং পরসনেলশিংগী ওইবা ত্রেনিং ঙসি পাঙথোকখ্রে । ত্রেনিং অদু চান্দেল জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোল, ত্রেনিং হোল অমসুং ইদুকেসনেল বিল্ডিংদা পাঙথোকখি । পুন্না পরসনেল ১৩৮ না শরুক য়াখি। ককচিং জিলাদসু মীখলদা মথৌ তৌগদবা পরসনেলশিংগী ত্রেনিংসু পাঙথোকখি।

### --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**গভর্নর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- হিদাক্কী মগুন চেনবা পান্বীশিং অমদি শেন্থোক লৈবা পান্বীশিং থাবনা লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি। মহাকা হায়- কোভিদ নাইন্তিন লায়চৎ মতমদা মীওইবা অমগী ইম্ম্যুন কনখৎনবা হোৎনবদা পান্বীদগী শুংবা হিদাক্কী তঙাই ফদবা লৈখি।

সি.এস.আই.আর লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা সি.এস.আই.আর- ফ্লোরিকলচর এন্দ এরোমা মীসন প্রোজেক্টকী মখাদা খোয় উপু, হিদাক্কী মগুন চেনবা পান্বী অমদি মনম নুংশিবা পান্বীশিং লৌমীশিংদা য়েন্থোকপগী থৌরমদা ব্রা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা হায়- সাইন্তিফিক রিছার্স য়াওনা লৌমীশিং অমদি লন্নাই ইন্দস্ত্রিসশিংদা মতেং পাংবদা সি.এস.আই.আরনা মাংজিল থানা চৎলি। মহাকা হায়- ফ্লোরিকলচর মীসন অমসুং এরোমা মীসন প্রোজেক্ট অসিনা লৌমীশিং অমদি ওন্তরপ্রেন্যুারশিংবু মতেং পাংদুনা মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা নত্তনা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা বাইও রিছোর্স হেন্না চাউখৎহল্লে। হিদাক্কী মগুন চেনবা পান্বীশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা অখঙ অহৈশিংনা থৌরমশিং পাঙথোকপগী তঙাহ ফদবা লৈ হায়দুনা রাজ্যপালনা হায়- লৌমীশিংগী ওইনা খোয় য়োকপা হায়বসিসু শেন্থোক লন্বী অমনি। মসিনা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদা হেন্না মতেং ওইগনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপালনা ডা:হুইদ্রোম বিরকুমার সিংহনা ইবা হিদাক কান্নরবা পান্বীশিং কৌবা লাইরিক অমা ফোংখি। লাইরিক অদুগী মতাংদা রাজ্যপালনা হায়- হিদাক অমসুং শেন্থোক লন্বী লৈগদবা পান্বীশিংগী মতাংদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা লৌশিং গ্যানশিং দোকুমেন্তেসন তৌদুনা থমহৌবা অসিনা তুংগী মীরোলশিংদা মসিগী লৌশিং গ্যান অসি হেন্না কান্নবা পীগনি। অসিগুম্বা লৌশিং গ্যানশিং অসিবু দোকুমেন্তেসন তৌবগীদমক অইবা অসিবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** মনিপুরগী বর্ম্মা কুমারিশিংনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে উন্নদুনা রাজ ভবনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিভর্সিয়েল কনক্লেপতা শরুক য়াবিনবা হায়জখ্রে। কুমারি বি.কে.নিলিমানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক বর্ম্মা কুমারিশিংনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদাং পাউদম্বগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক মেদিতেসন ত্রেনিং পাংথোকবগী প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবসু প্রস্তাপ তৌখি।

রাজ্যপালনা মীহুৎ কাংবু অদুদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মঙোন্দা খঙহল্লকবা হায়খি।

মনিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মীসনগী চিয়রমেন শ্রী এস.কে.দেব বরমননা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা মনিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মীসনগী থবক থৌরমগী মতাংদা পাউদমখ্রে। নৌনা খল্লবা চিয়রমনেনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী স্বর্থা য়েংলগা মথৌ নিংথিজনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

**ওপরেসন (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না থীবা হুন্বগী থবক কন্না চথুরি। ঙসিসু মফম কয়াদা ওপরেসন চথুখিবগা লোয়ননা থৌবাল জিলাগী ৱাংখেমদগী আইননা থীংখ্রবা লুপ কে.ৱাই.কে.এলগী কদরনি হায়বা মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফাবা ঙম্লে হায়রি। মীওই অদুদগী নাইন এম.এম পিস্তোল অমদি মরুশিং ফংবা ঙমখি। মখা তানা থীজিন্নবগীদমক পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি ।

অমরোমদ, অসাম রাইফলসনা ঙরাং ত্রক অমদা হাপ্তুনা পুরকপা লুপা লাখ ৭৮ রোমগী মমল ওইগদবা সুপারি টন ৩৪ ফারে। থৌবাল জিলাগী লিল্লোংদগী ত্রক অদুগা কোন্ননা মীওই অহুম ফাখিবনি । ফারবা পোৎলমশিং অমদি মীওইশিং অদু থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**ময়োল(এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না শিন্দুনা চথুরকপা ঐখোয়গী অনৌবা লাংঙোলগী ভোট হায়বা কেম্পেইনগী মনুংচন্না ঙসি ময়াংইম্ফাল কেন্দ্রগী চিরাই ময়াহ লৈকায় পব্লিক হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি কাংলোন চুমা পাঙথোকবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৬ লৌখি।

**কে.এস.এ(এল)ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন (কে.এস.এ)না শিন্দুনা -দ ফ্রেবিকেতেদ হিস্ত্রি ওফ মনিপুর হায়বা হিরম অসিদা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা একাদমিক দিস্ক্রোস ঙসিদগী হৌখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পোউন্দা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মহৈরোই লুপ অসিগী প্রসিদেন্ত সুখাম বিদ্যানন্দনা হায়- মনিপুরগী পুৱারি অসি শেমদোক শাদোক্তুনা ইনিংবা মওংদা ইবগী থৌওং কয়া চথুরকপা অসিনা রাজ্য অসিগী পুৱারিবু মশক থীহন্নবা মরম ওইরকপা অসিবু চুমথোকবা ৱাখল্লোনদা খন্না নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- অরানবা পুৱারিদা য়ুমফম ওইদুনা লাইরিক কয়া ফোংলকপা থেংনরিবা অসি লাইবক থীবনি। মসিনা রাজ্য অসিগী তুংগী মীরোলদা অপুনবা মনিপুরগী ৱাখল্লোন কায়হল্লকবা মরম ওইরি।

**তিকা(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শঞ্জেনবম খুনৌদা ঙসি এন্তি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। অমুকোগী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লব, নোথ ইষ্ট্রর্ন য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসননা ইম্ফাল ইষ্টকী ভেতিরিনরি ওফিসকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হুই অমসুং হৌদোং ১৩০ রোমদা রেবিজকী ভেক্সিন কাপথোকখি।

**ইন্সেক(এল)ঃ** সাইন্তিফিক মেথটস ওফ লেক কলটিভেসন ফোর এদিসনেল ফর্ম্মস ইনকম হায়বা হিরমদা লৌমীশিংগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু এ.আই.এম.পি কঞ্জর্ভেসন ওফ লেক ইন্সেক জিনেত্তিক রিছোর্সেস, কলেজ ওফ এগ্রিলকচর, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভার্সিতি ইম্ফালনা শিন্দুনা ইরোইশেম্বদা লৈবা কলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি। ইন্সটিটুয্যট ওফ সেকেন্দরি এগ্রিকলচর ঝরখন্দগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইরোইশেম্বগী দিন প্রোফেসর ইন্দিরা শারাংথেম শরুক য়াখি। মহাকা হায়- চা-তিন হায়না খঙনবা লেক ইন্সেক অসি জবাকুসুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা শন্দোকহন্দুনা লোকপা য়াই । মসিনা লৌমীশিংদা ইৱা ৱাদনা শেল তানবা য়াবগী খুদোংচাবা পীগনি।

**ইবোতোম্বী(এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া চিল্ড্রেনস ইদুকেসনেল ই-কন্তেন্ত কম্পীতিসন ২০২৩-২৪ দা তোঙান তোঙানবা মনা ফংলকখ্রবা ইবোতোম্বী স্কুল ওফ ইদুকেসন খা-নাওরেম লৈকায় কাঞ্চিপুরগী ষ্টাফশিং ওক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। সেন্ত্রেল ইন্সটিটুয্যট ওফ ইদুকেসনেল তেকোলোজি (এন.সি.আর.টি) ন্যু দিল্লি,স্কুল ওফ ইদুকেসনেল তেকোলোজিনা পুন্না শিন্দুনা হৌখিবা মার্চ ১৫ দগী ১৬ ফাওবা শিল্লোংগী নোর্থ ইষ্ট্রন রিজনেল ইন্সটিটুয্যট ওফ ইদুকেসনদা পাঙথোকখিবা কম্পীতিসনদা ইবোতোম্বী ইন্সটিটুয্যট ওফ ইদুকেসনগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়াখিবদা মখোয় ৮ না তোঙান তোঙানবা মনাশিং ফংবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** হেপাতাইতিস বি অমসুং হেপাতাইতিস সিগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথীনা খঙহনবগী থৌরম অমা থৌবালৱাংমা তাবদা লৈবা রেল-রিকোভরি হোম দি-এদিক্সন সেন্তরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী হিরমনা ঙননা খঙদোকহৌবা অমসুং লায়না অসিগী মতাংদা লায়েংহৌবনা হেননা খুদোংচাবা হায়বসিনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** য়ুনাইতেদ ভেতারান্ত ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ৫ শুব সঙাই ত্রোফি ভেতারান্ত ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ থা অসিগী ৭ তগী হৌরগনি। পিসুমদা লৈবা সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দা চত্থগদবা চেম্পীয়নসিপ অসিদা পুন্না টিম ১২ না শরুক য়াগনি।

**লোক্তাক(এল)ঃ** অহানবা চিফ মিনিস্তর ১৪ শুবা লোক্তাক ত্রোফি ২০২৩-২৪ গী ফাইনেল থা অসিগী ৫ দা শান্ননবা শেম শাখ্রে। ফাইনেল মেটচ অসিদা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদ অমসুং ৱাই.এস.দব্লিউ.এ লম্বা তৌগনি।

**ফুটবোল-২(এল)** ঃ ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দ মথং থাগী ১ দগী নোংচুপ বেঙ্গোলদা হৌরগনি। গ্রুপ অনি থোকা খায়দোক্লুনা শানাগদৌরিবা ত্রোফি অসিদা গ্রুপ বিদা মনিপুর, হারিয়ানা,ওরিষা, সিক্কিম, ঝরখন্দ অমসুং মহারাস্ত্রা য়াওরি। মনিপুরগী অহানবা মেটচ এপ্রিল অনিদা ঝরখন্দগা শান্নগনি।

## ---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---

**ইলেক্সন ঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিশিংদা অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পারিং নত্রগা অতৈ রাজ্যশিংদগী য়ু, দ্রগ, গঞ্জা, কাণি, শেল অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং পুশিল্লকপা থীংনবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা পাউতাকপীখ্রে।

ইলেক্সন কম্মীসননা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী লো এনফোর্সমেন্ত এজেন্সিশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা আইন অমসুং শান্তি রাক্সাগী ফীভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা লাক্কদৌরিবা মীখল শান্তি লৈনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা হোৎনগদবনি হায়না পাউতাক পীখি।

ইলেক্সন কম্মীসনা ঙরাং রাজ্য ৬ কী স্পিসিয়েল ওবজার্ভরশিং হাপ্তুনা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখলগী থবক থৌরমশিং মীকুপ নাহুমশিংনা য়েংশিন্নবা হোৎনরি। রাজ্যশিং অদুদি মীওই কোতি ৭ হেন্না লৈবা নোংচুপ বেঙ্গোল,উত্তর প্রদেশ, মহারাস্ত্রা, বিহার অমসুং বিধান সভা মীখল য়াওনা লোক সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরবা অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং ওরিষানি । কম্মীসননা অন্ধ প্রদেশ, করনাতক, টামিলনাদু ,উত্তর প্রদেশ অমসুং ওরিষাগী স্পিসিয়েল এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর হাপ্তুনা মীখলদা শেল শিজিন্নবা থীংনবা হোৎনরি।

ঙসিগী চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমার সাভপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অরুনাচল প্রদেশ , ছাতিঘর অমসুং মহারাস্ত্রা য়াওনা রাজ্য ১১
দা মীখল পাঙথোকপদা খুদোংচাবা মায়োকরিবশিং মতেং পাংনবগীদমক ইন্দিয়ান ইয়র ফোর্স অমসুং ষ্টেট সিভিল বিভাগকী থৌদাংশিংগী মতাংদসু খন্নখি ।

**কংগ্রেসঃ** কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজন্ খরগেনা ঙসি অৱাং নোংপোক দিল্লি লোক সভা কেন্দ্রদা ঘর ঘর গেরেন্তি অভিয়ান হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খরগেনা হায়- লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসনা করিগুম্বা সরকার পায়রবদি লৈবাক শিনবা থুংবদা কাস্ত সেনসস পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কংগ্রেসনা গেরেন্তি ২৫ অমসুং ন্যা ৫ পুখৎলে।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি কেরলাগী ৱাইয়ানাদ লোক সভা কেন্দ্রদা ঙসি মীরেপচে পীশিনখ্রে। মহাকা মীরেপচে পীশিনবদা দলগী জেনরেল সেক্রেটরি পিয়াঙ্কা গান্ধি, কে.সি.ভুনুগোপালনচিংবা শরুক য়াখি। কেরলা য়াওনা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমা অনিশুবা তাঙ্কক্তা থা অসি ২৬ দা ভোট থাদনগনি । মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ হয়েংনি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌরবা মতুং মথংগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

**রাজ্য সভা ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডা: এল. মুরগন য়াওনা নৌনা খল্লবা সদস্যা ১১ বু ঙসি রাজ্য সভাগী সদস্যা ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। সংসদতা লৈবা রাজ্য সভাগী চিয়রমেন জগদিপ ধনকরগী চেম্বরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চিয়রমেননা মখোয়বু ৱাশক লৌখি। ঙসি ৱাশক লৌখিবশিং অদুগী মনুংদা বিহার অমসুং মহারাস্ত্রাদগী সদস্যা ২-২, হিমাচল, হারিয়ানা, করনাতক , উত্তর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশকী সদস্যা অমমমনি। হন্দক্কী চয়োল অসিদা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ডা:মনমাহোন সিংহ য়াওনা সদস্যা ৫৬ সভাদগী পোথাখি।

**বেঙ্কঃ** ৱাল্ড বেঙ্কনা হায়রি- ইং ২০২৪ দা ভারতকী ইকোনোমি অসি চাদা ৭.৫ হেনগৎলবা য়াই । বেঙ্ক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা সাউথ এসিয়া দিভলপমেন্ত অপদেতকী মতুং ইন্না খা- এসিয়া লমদমদা চহি অসিদা ইকোনোমি চাদা ৬ হেনগৎলবা য়াই । মসি ভারত্তা চাউখৎলকপা অমদি পাকিস্তান অমসুং শ্রীলঙ্কাদা শেল থুমগী ফীভম ফগৎলকপদগীনি। রিপোর্ট অদুনা হায়- লাক্লিবা চহি ২ অসিদা খা-এসিয়াগী লমদম অসি মালেমগী ওইনা খুমাং য়াংনা শেল থুমগী লমদা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিং ওইগনি। ইং ২০২৫ দা লমদম অসিগী ইকোনোমি অসি চাদা ৬.১ ৱাংখৎলবা য়াই হায়রি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - এন.আর.সি চৎনরকপা মতমদা রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েলহৌ মীশিংদা শোকিংঙাই লৈতে।

২) লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা সিনিয়র সিতিজেন্স নত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোস্তেল বেলোটকী খ্ৎথাংদা ভোট থাদবা থা অসিগী ৭ তগী হৌরগনি।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- হিদাক্কী মগুন চেনবা পান্বীশিং অমদি শেম্হোক লৈবা পান্বীশিং থাবনা লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ৱাংখেমদগী লালহৌলুপ অমগী মীওহ খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। লুপা লাক ৭৩ রোমগী সুপারি ফাগৎলে।

## অমসুং

৫) ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য অমদি যুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চিফ সেক্রেটরি অমসুং দি.জি.পিশিংদা ঙমখৈ পারিংদগী নিশা,শেল অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং পুশিল্লকপা থীংনবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

## --- পাউ লোইজরে---